# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable — HIL — The messenger of the masses


অসাম রাইফলসকী ১৮১ শুবা রাইজিং দেগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা এ আরগী দোক্টরশিং শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প



মপুং ফানা শাবা লোইশিন্দ্রবসু ঙসি শঙ্গারগদবা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মনিং থংবা শরুক্তা শাগৎলিবা টেম্পররি মার্কেট সেদকী শক্তম



নুপীশিং খক্তগী মহৈ তম্ফম ওইরিবা শম্বল অমত্তা খাদনা থল্লিবা ময়াং ইম্ফাল হৈগুন য়াংবীদা লৈবা কষ্টুরবা গান্ধী বালিকা ভিদ্যালয়াগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম



সিংহাট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা বেহাংদা ২৬-এ আরগী পার্সনেলশিংনা গাড়ী চেক তৌবদা এম ১৬ এ রাইফল অমগা কোন্ননা ফারবা মীওই মরিগী শক্তম




Vol. 39, Issue No. 354 | ইরাই, লমতাগী হুম্নি পানবা, | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, March 11, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


### অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৬.৪৩০c | ১৭.৮৪০c |
| চান্দেল | ৩৪.৫৬০c | ১৪.৭০০c |
| সীসীপুর | ২৮.২৩০c | ১৬.২০০c |
| ইম্ফাল | ২৫.৪০০c | ১৬.৫৬০c |
| সেনাপতি | ২৭.৮১০c | ১৭.৭৮০c |
| তমেংলোং | ২৬.৮৬০c | ১৫.৩৮০c |
| থৌবাল | ২৬.৮৭০c | ১৬.৮১০c |
| উখ্রুল | এনএ ০c | এনএ ০c |
| মণিপুর | ৩৪.৫৬০c | ১৪.৭০০c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৪৪.১০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪০
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

## শৈগোন্নবী উৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ : জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীদগী গোল্ড মেদল ফংখ্রবা সমুরাইলাৎপম মহন্তনা কমপোজ তৌবা শৈগোন্নবী (রুদ্র টাল) ঙরাং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিককী লেকচর হোলদা উৎখ্রে। ম্যুজিসিয়ন ১০না শরুক য়াবা পার্ফোমেন্স অদু মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী গ্রান্ট স্কিম ২০১৪-১৫গী প্রদক্সন মখাদা পুথোকপনি। *মখা লামায় ৩ কলম ৬*

## মৈনা তুম্না চাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০: হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ রোম তাবদা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থিনুঙ্গৈদা লৈবা শো মিল অমা খঙহৌদনা মৈনা তুম্না চাকখ্রে। শো মিল অদুগী মপুনা থিনুঙ্গৈ মখা লৈকায়দা লৈবা থোকচোম রাজু কৌবা অমগীনি হায়রি। শো মিল অদু উনা শাবনি। মৈ চাকপা অদুদা শো মিলগী উ খায়নবা মেছিন অমা খায়নবা থম্বা উ খরা অমদি খায়দোক্লবা উশিং য়াওনা তুম্না চাকখ্রে। মৈ চাকপা অদুদা পুন্না লুপা লাক ৩৯ রোমগী পোৎ-চৈ উৎ ওনখ্রে।

## এক্সিদেন্টতা ২ শিরে

ইম্ফাল, মার্চ ১০: ইম্ফাল কাংচুপ লম্বীগী লমশাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লমশাং অৱাং লৈকায়দা অল্টো কার অমগা মোটোর সাইকল অমগা থেংগাইনবদা মোটোর সাইকল তোংদুনা লাকপা মীওই অনী রিমস হোস্পিটালদা লায়কন্নরবা মতুংদা শিরে। থৌদোক অসি ঙসি নুমীদাং পুং ৭ রোম তাবদা থোকখিবনি। অলটো কার অদুনা ইম্ফাল রোমদগী ফয়েং মায়কৈ তম্না লাকপনি। মোটোর সাইকল অদুনা ফয়েং মায়কৈদগী লাকপনি। মোটোর সাইকল অদু পুলিসনা ফারে। লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদু মশক খঙবা ঙমদ্রি।

## ফল লাউথোক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১০: বি ঈ ৭শুবা সেমিষ্টর ইগজামিনেসন ২০১৫ (দিসেম্বর)গী ফল লাউথোক্লে হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট কন্ট্রোল্লর ওফ ইগজামিনেসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।


### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 73.579249 |
| US Dollar | 67.057466 |
| British Pound | 95.397579 |
| Australian Dollar | 50.147306 |
| Chinese Yuan | 10.289174 |
| Japanese Yen | 0.590617 |
| Malaysian Ringgit | 16.372071 |
| Nepalese Rupee | 0.625163 |
| Russian Ruble | 0.055791 |
| Singapore Dollar | 48.515979 |
| South Korean Won | 0.055791 |
| Bangladesh Taka | 0.85589 |
| Myanmar Kyat | 0.05512 |
| Thailand Baht | 1.901756 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 29,914 |
| Delhi | – | Rs 30,374 |
| Kolkata | – | Rs 30,695 |
| Mumbai | – | Rs 30,962 |

### অস! লোইরেহে!




# আই-এমনি চিংনবশিংনা দাম শাবা শিন্মী ১০ য়ৈরম্লে, লাখ ২.৫০ মুনখ্রে



ককচিং, মার্চ ১০(ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈরোক পুলিস ষ্টেসনন্না কোনবা হৈরোক পার্ট-২ চীংঙ্গোল মেলৈ লম্পাক মনাক্কী হৈরোক তুরেল মরিলদা মিনি বারাজ শাবগী থবক শুবা শিন্মী ১০ এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদরনি চিংনবশিংনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ রোম তাবদা য়ৈরম্বদগী শোক্লে।

মফমদুদগী ফংবা পাউনা হায়, থবক শুরিবা শিন্মীশিং য়ৈরম্লিবা আই-এমনি চিংনবা কাদরশিং অদু খুৎলাই মতিক চানা পায়বা মীওই ৬ না শাবা টিমনি। শিন্মীশিংগী খুৎশুমল পীননবা খোল্লা মনুংদা থম্বা লুপা লাখ ২.৩০গী শেনফমদুসু মখোয়না নমদুনা মুল্লগা পুখ্রে। মসিদসু নৎতনা শিন্মীশিং অমসুং মফম অদুদা কোইবা লাকপা মীওই-শিংদগী পুন্না মোবাইল ফোন ৬ লোমসু পুরগা চৎখি। মখোয়না চৎত্রিঙৈ মমাঙদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুমসু কাপথোক্তুনা মনাক নকপদা লৈবা মীয়ামদা অকি-তুজুংবা পীরমখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, থৌদোক থোক্লিবা মফম অসি ১৫৪-বি এস এফকী দি-কোইগী কেম্পকা কিলোমিটর তঙ্খায় অমরোমতমক লাপ্পবা মফম ওইবনা আই-এমগী কাদরশিং অদুনা পুঙ্খায় হেন্না মফম অদুদা ওপেরসন চথুদুনা লৈখি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা তুংদা হৈরোক্কী মীয়াম্না চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মরিং ফুরুপনা খুন্দারিবা কারোংথেল খুলগী নুপী অনী, নুপা অহুম হৈরোল লিটান এরিয়াদা ফাজিল্লগা মতম খরা থম্লুরে। মখোয় মশা-মশাগী থবক চৎলুরগা খুল তম্না হল্লকপনি। তুংদা য়াইরিপোক পুলিসকী এস দি পি ও অমদি হৈরোক পার্ট-২গী প্রধান য়াওনা হৈরোক লিটান কম্যুনিটি হোলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম ফল্লবা তুংদা মখোয় মঙা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনা পুলিসতা শীন্নখি।

এন এস সী এন (আই-এম)নি চিংনবশিংনা য়ৈরম্বদগী অশোক-অপন নংলবশিং অদুদি হৈরোক পার্ট-২ চীঙ্গোল লৈকায়দগী টি ঐচ নরসিং (৩১) অপোকপগী মিং লৈখিদ্রবা বিরেন, টি ঐচ তোম্বা (৩৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা নাতুম, টি ঐচ অরুন (২০) অপোকপা সনায়াইমা, টি ঐচ দেবেন (৩৪) অপোকপা ইবোহল, এম কোকঙাঙ (৪৫), টি ঐচ ঙানবা (২৪), থবক শুবশিংগী ক্যের টেক্কর ওইবা কোংবদগী এল লানঙম্বা এলাইজ রোসন (২০) অপোকপা লৈখিদ্রবা জুগে, হৈরোক পার্ট-৩ ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী ময়াদা দ্রাইভর অমা নোংমৈনা কাপ্লম্লে

## পল্লেল মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে




ককচিং, মার্চ ১০(ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী নোংপোক্তা মিটর ৩০ রোমতমক লাপ্পা লৈবা পল্লেল কৈথেল, আইমোল লম্বী মনাক্তা খামদুনা লৈবা ইকো ভেন অমগী মনুংদা ফমদুনা লৈবা দ্রাইভর অমা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা মশক খঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্তুনা শিজ হোস্পিটালদা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরি।

হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবা দ্রাইভর অদুগী মমিং এন এল অরেঙ এলাইজ রেংনৈসেক আইমোল (৩৭) কৌই। মহাক আইমোল কোম্বীরৈ খুলদগী অপোকপা নৈচুংগী মচানি। পল্লেল কৈথেলদা গাড়ী খামদুনা রিজার্ব সার্ভিস তৌবা মীওইনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা মফম অদুদগী ফংবা পাউনা হায়, মহাক্না গাড়ী মনুংদা ফম্লগা পেসেঞ্জর ঙাইদুনা লৈরিঙৈদা মশক খঙদবা নোংমৈ মচা পায়বা নহা অমনা ভেন অদুগী মমাঙদা লেপ্পগা নোংমৈ রাউন্দ মরি কাপশিল্লম্লগা আইমোল লম্বীদা চেনশিনখি। শকখঙদবা অদুনা কাপশিল্লম্বা নোংমৈ মরু ৩ দি গাড়ীগী ষ্টিয়ারিংদা পানখি অদুগা অতোপ্পা নোংমৈ মরু অমনা মহাক্কী ওইথংবা পুকচেপ্তা পানখিবনি।

নোংমৈনা পান্দুনা শোক্লবা তুংদা এন এল অরেঙ এলাইজ রেংনৈসেক আইমোল (৩৭) পল্লেল পুলিস ষ্টেসনদা চেনশিনখি। পল্লেল পুলিসকী কাঙবুনা খুদক্তা মহাকপু ককচিং জিবন হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। তুংদা মহাক শিজ হোস্পিটালদা রিফর তৌখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদু হেক থোক্লে খঙবগা মফম অদুদা দ্যুটি তৌদুনা লৈরম্বা পল্লেল পুলিসকী পার্সনেল খরনা তান্নখি অদুবু মী চিনবগী খুদোংচাবা লৌদুনা নোংমৈ কাপ্লম্বশিং অদু মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী পাউ ফংবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি এন নিমাই য়াওনা থৌবাল কম্মান্দোশিং চঙশিন্দুনা পল্লেল কৈথেল অমসুং অকোয়বদা থি-হুন্বগী থবক চত্থখি। চিংনবা মফমশিংদা লৈরম্বা মীওই লৌবুক্তা পুথোক্তুনা অমমমতা ওইনা মশক-মমিং খঙদোকখি। অদুম ওইনমক মীফা-মীপুনগী পাউদি লৈতে। এস পি, চান্দেল হেরোজিৎ, আই জি দোক্টর এস ইবোচা য়াওনা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মফম অদুদা চঙশিল্লকখি।

পল্লেল কৈথেলমক্তুদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পল্লেল বজার বোর্দ, এস দি ও, ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# স্কুল য়েংশিনবা চৎপা এম এস এফকী থৌমীশিং ৱার্দেন অমদি লৈকায়গী মীয়াম্না তাল্লকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস): ময়াং ইম্ফাল হৈগুন য়াংবীদা লৈবা কষ্টুরবা গান্ধী বালিকা ভিদ্যালয়া (কে জি বি ভি)গী হৌজিক ওইরিবা ফীভম য়েংশিনবা চৎলুবা মণিপুরী ষ্টুদেন্ট'স ফেদরেসন (এম এস এফ)কী থৌমীশিং ৱার্দেন অমসুং লৈকায়গী মীয়াম্না তাল্লকখ্রে।

নুপী খক্তগী ওইবা রেসিদেন্সিএল স্কুল অমগী চৎন-কাঙলোন অমত্তা ঙাক্তনা স্কুল চল্লাইরম্বতা নৎতনা স্কুল অসিদা য়ুটিলাইজ ওইনা মথৌ তৌরিবা ওজাশিংগা লোকেল এনগেজমেন্ট ওইনা হাপ্পগা হোষ্টেলগী ৱার্দেন ওইহল্লিবী নুপী অদুগা মুক্নরকপদগী স্কুল কেম্পস মনুংদা ফূনগে তৌখ্রে।

খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা এম এস এফকী সেক্রেটরি রোমিও কৈশামনা হায়খি, নুপী ১০০ লৈগদবা স্কুল অসি শুপ্পগী নুপী ৱার্দেন অমখক্ল। অয়ুক-নুংথিল-নুমীদাং শেন্নবগী মথক্তা কিটচন মেন্টেনেন্স অমসুং স্কুলগী মেন্টেনেন্সসু পুরল্লিবা অসিদা অঙকপা পোকই। জেদ ঈ ও, ৱাঙ্গৈইনা কে জি বি ভি অসিগী ফুল টাইম টিচর মরি, ফুল টাইম একাউন্টেন্ট অমা, ৱার্দেন অমা, পিওন অমসুং চৌকিদার অনী, হেদ কুক অমা, এসিষ্টেন্ট কুক অনী অমসুং পার্ট টাইম টিচরনচিংবা অমত্তা হাপ্তুনা য়ুটিলাইজ টিচরশিং অমসুং ৱার্দেন অমখক্তা থল্লিবসি করিগীনো হায়না হংলক্লি। নুপী ঙাক্তা লৈবা স্কুল অসিগী কেম্পসকী ৱাল ফেন্সিং চনবা হৌরম্লগা লেপখিদুনা ইহাং হাংনা লৈরে। অসিগুম্বা নুপা চঙবা য়াদবা স্কুলসিদা অহাংবা য়ুঙাং লীক্লি ময়াম লৈরিবসি কদায়দগীনো। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা নুপীদা চথুবা ক্রাইম থোক্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মহৈরোয়শিংগী কিটচন অসিসু মতমগা চান্নদ্রে। লায়না তীন্না কয়া পোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি এম এস এফনা অকনবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

# গভর্নরনা জে এন দান্স একাদেমীগী মহৈরোয়শিংগা উনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০(ঐচ এন এস) : মণিপুরগী গভর্নর ভি সনমুগনাথননা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু দান্স (জে এন দান্স) একাদেমীগী মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিংগা উনখ্রে।

জে এন দান্স একাদেমীদা লাকখিবা একাদেমী অসিগীসু চ্যেরমেন ওইরিবা গভর্নরনা মহৈরোয়শিংদা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং য়াওনা একাদেমী অসিগী মতাংদা মহৈরোয়শিংগী মত হংখি।

মমাঙথক্তা বালশ্রী এৱার্দ ফংখ্রবী আর কে সনাথোইনা গভর্নরগী পুক্নিং চিংশিল্লদুনা হায়খি, একাদেমী অসিনা পীরিবা সর্টিফিকেটশিং অসিগী কান্নবা ফংবা ঙমদ্রি। ফাউন্দেসন কোর্স, দিপ্লোমা অমদি পি জি পাস তৌরবা মীওই কয়াগী সর্টিফিকেটশিং য়ু জি সী অমদি অতৈ লৈবাক অসিগী থবক লৌবগী ইন্টর্ভিয়ু পাঙথোকপদা রিকগ্নাইজ তৌবীদে হায়না ৱাকৎখি।



অতোপ্পা নট সঙ্কটনগী মহৈরোয় অমনা গভর্নরগী পুক্নিং চিংশিল্লদুনা হায়খি, একাদেমী অসিদা মহৈ তম্লিবশিং মীরমদা চৎপদা লোল ফাওনদবগী খুদোংচাদবা চাউনা মায়োক্নরি। প্লেটফোর্মদা কলচরেল পার্ফোমেন্স পীরুরগা থোরকপদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমশিং পীবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্ন রিবসি কোকহন্ননবগীদমক্তা হৌজিক চথরিবা ক্লাসশিং অসিগী মথক্তা হিন্দি নৎত্রগা ইংলিশকী সবজেক্ট অমত্তং তমহনবীনবা ৱাফম পুখৎলকখি।

মখোয় অনীগী ৱাফম অদু গভর্নরনা পুক্নিং চঙনা তাখি। একাদেমী অসিগী প্রধান গুরুশিং অমসুং মহৈরোয়শিং মহাক্না রাজ ভৱনদা লাক্ননবা খঙহল্লমখি। গভর্নরগী সেক্রেটরিগা অকক্নবা মতম অমা লেপথোক্নরগা মহৈরোয়শিংগী ৱাকৎ অনী অদু থবক্তা ওন্থোক্নদবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মীওইশিং কৌরগা পূন্না ফম্মীন্নসি অমসুং খুদোংচাদবশিং অদু কোকহন্ননবা হোৎনসি হায়না ফোঙদোক্লম্মী হায়রি।

# টেম্পররি মার্কেট সেদ ঙসি শঙ্গারগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১০(ঐচ এন এস) : চহী অসিগী জন্যুৱারী ৪গী অয়ুক অঙনবদা হাখিবা অকনবা য়ুহানা খ্বাইরাম্বন্দ কৈথেল অহুমগী মনুংদা অনী অতেক-অকায় থোকখিবনা মরম ওইরদুনা শেমজিন-শাজিনদ্রিঙৈদা পোৎফম ফম্বীশিংনা শীজিন্ননবা জোনষ্টোন স্কুলগী মনিং থংবা শরুক্তা শাখিবা টেম্পররি মার্কেট সেদ হয়েং অয়ুক শঙ্গারগনি।

কৈথেল ফম্বীশিংদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না হয়েং অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা কৈথেল লাইরেম্বী-লাইরেম্বা অনৌবা কৈথেল অসিদা হোংজিন্নবা খোঙশানবা হৌগনি। অয়ুক্কী পুং ১০.৫৩ তাবদা অনৌবা মতম খরগী কৈথেলদা থুংবগা লোয়ননা অমাইবা-অমাইবীশিং য়াওনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর ডা. কে ঐচ রতনকুমার, সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এ কে মিরাবাইসু শরুক য়াগনি। অতেক-অকায় থোকপদগী শীজিন্নবা য়াদনা লৈরিবা কৈথেল অনী করম্বা মতমদা শেমজিনবা হৌগদগে নৎত্রগা নৌনা শাগদ্রা হায়বগী মতাংদা মহাক্কী ওইবা ৱারোল অমা পীগনি হায়রি।

পুম্নমক লোইরবা তুংদা মমিং খক্তগী ওইনা পোৎফম ৭/৮ খক হয়েং হোংজিনগনি। অতৈদি শুলাভ অমদি ৱাৎহৌরিবা মচাক-মথুমশিং শেমগৎপা লোইরগা ন্যু মার্কেটকী পোৎফম ফম্বী ১১৯৫ অমসুং খা থংবা কৈথেলগী পোৎফম ফম্বী ৭২৮ হোংজিনগনি হায়রি। টেম্পররি মার্কেট সেদ অসিদা পোৎফম অমমম্গী পাক চাউবা ফুট ৩.৪ ওই হায়রি।

# শর্মিলাগী খোঙজং, অফস্পা রিপিলগী মতাংদা ডা. মৈন্যনা লোক সভাদা পুখৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ (এজেন্সী) : মণিপুরগী লোক সভা মেম্বর ডা. থোকচোম মৈন্যনা থা অসিগী ৮, ইন্টরনেসনেল ৱিমেন'স দে থৌরম নুমিৎতা লোক সভা মীফমদা হাউসকী নুপী মেম্বরশিং অমসুং মালেমগী নুপী পুম্নমক্কী মফমদা নুংঙাই য়াইফরোল পীবগা লোয়ননা ইরোম শর্মিলা অমসুং অফস্পা রিপিলগী মতাংদা পুখৎখ্রে।

নুমিৎ অদুগী লোক সভা মীফমদা ডা. মৈন্যনা হায়খি, মালেমগী নুপীগী নুমিৎ অসিদা হৌজিক চহী ১৬ ফারক্লবা ফাওবা মতম কক্তবা চরা হেল্লক্লিবা মণিপুরগী আইরন লেদি ইরোম শর্মিলা হায়রিবী মরাথোন হঙ্গর ষ্ট্রাইকর অসিগী মতাং নীংশিংবা মরুওই খল্লি।

শর্মিলানা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট, ১৯৫৮ রিপিল তৌনবা দিমান্দদা কুমজা ২০০০ নবেম্বরদগী চরা হেনবগী খোঙজং চথনবা ৱারেপ লৌখি। মতম অদুদগী ফারগা অমুক থাদোকই, থাদোক্লকপগা চরা হেনবা খোঙজং মখা চথৈ, অমুক্কসু ফাই। অসুম্না ফাদোক-ফাজিন তৌদুনা লৈরক্লি। মসি হৌজিক ফাওবা চথুদুনা লাক্লি। শর্মিলাবু ফাদুনা জুদিসল কষ্টডিদা থমখি। অদুবু মহাক্না মাগী চরা হেনবগী খোঙজং হন্দোক্লবগী মমি উদ্রি।

ডা. মৈন্যনা হায়খি, আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট হায়বা টার্ম অসি ফত্তবদা মমিং চৎলবা, মীওইবদা চথফম থোক্তবা, জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং অৱাং নোংপোক্কী ঈরাং লৈবনি হায়বা লমদমশিংদা থল্লিবা খ্বাইদগী কি-তুজুংনিংঙাই ওইরবা এক্ট অমনি।

ঐহাক্লা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা মিংচৎ থীরবা এক্ট অসি খুদক্তা রিপিল তৌনবা আপিল তৌজরি। ঐগী আপিল অসিবু কম্মিটি/কনফরেন্স য়ামদ্রবদা ৪ ফাওবনা শৌগৎলি। মখোয়দুদি কুমজা ২০০৫ গী জষ্টিশ জীবন রেদ্দি কম্মিটি, সেকেন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিব রিফোর্মস কম্মিসন, ২০০৭, ৱার্কিং গ্রুপ ওন কনফিদেন্স-বিল্ডিং মিজরস ইন জম্মু এন্দ ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# জিরিবামদা সী আর এস ট্রেনদা ওফিসলশিং লাক্তুনা য়েংশিল্লম্লে




জিরিবাম, মার্চ ১০(জে এন এন) : জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা কম্মিসন ওফ রেলৱে সেফটি (সী আর এস)গী ট্রেনদা ওফিসলশিং য়াওনা লাক্লগা ষ্টেসন অদুগী ফীভম য়েংশিল্লম্লে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুংখাইরোম তাবদা কম্পার্টমেন্ট ১০ য়াওবা সী আর এস ট্রেন অমদা ওফিসলশিং য়াওনা লাক্তুনা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনগী ফীভম য়েংশিনখি। য়েংশিনবা লাকখিবা অদুদা নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱেগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু য়াওরকখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিএসনগী মখাদা লৈবা সী আর এসকী টিমশিং অদুনা রেলৱে ষ্টেসন অদুগী ফীভমশিং য়েংখি। ওফিসল টিম অসিগী রিপোর্ট মতুংইন্না ট্রেন চেনবা য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়বগী ফিরেপ লৌরক্কদৌরি। টিম ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# মণিপুরী ফিল্ম কলহৌনবা পুন্না খোঙজং চঙশিনমিন্ননবা ৱারেপ্নখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী ফিল্মগী খোঙচৎতা হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা মণিপুরদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি অমসুং ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা পুন্না খোঙজং চঙশিনমিন্নবা হায়না ঙসি ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী খন্ন-নৈনবা মীফম অমনা ৱারেপ্নখ্রে।

'মণিপুরী সিনেমা অমদি সিনেমাগী থৌমীশিংদা মীয়াম অমদি মণিপুরগী লূপশিংগী মীৎয়েং' হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অদুদা ৱারেপ মরি লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি ফিল্ম মেকর ইপুবু তমথীনা ফুরগা হুন্দোক্লম্বগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। চেন্নরিবা কাঙলুপনা মীয়াম খঙনা শেংদোকপীরক্নবা আপিল তৌরি।

ফিল্ম থৌমীশিংদা শেনখায় পীনবা খঙহল্লকপবু মীয়াম্না য়ানিংদে। অসিগুম্বা শেনখায়গী অশোয়বা ৱাফম অসিনা মণিপুরী সিনেমাগী খোঙচৎতা অমম্বা থোকহনবগীদমক কাঙলুপ অমত্তনা মখল অমত্তগী শেনখায়-থুমখায় তৌবীদনবা অমসুং শেনখায়গী খোঙফম হন্দোকপীনবা হায়জরি।

মণিপুরী সিনেমা মুৎখিবা য়াবগী অকিবা ফীভমদা শোকচিনহন-খিদনবগীদমক মণিপুরদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটিশিং অমসুং ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী থৌমীশিংগী ক্লোজদোর মীফম অমা পাঙথোক্তুনা অফবা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা পুন্না খোঙজং চঙশিনমীন্ননবা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা সিভিল সোসাইটিশিংগা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগা ফোরম অসিগী ওফিসতা মীফম পাঙথোকপনি।




লমদমসিগী তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটিশিংগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) গী প্রসিদেন্ট, জোন্সন এলাংবম্না হায়খি, ফিল্ম ফোরমগী এক্স-সেক্রেটরি, ইপুবু তমথীনা ফুরগা হন্দোক্লম্বগী থৌওং অসি য়ু সী এমনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। থৌওং অসি ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী থৌমীশিংগী মরক্তা থাজনদবা থোকহন্নবা শীনবা থৌরাংনি হায়বগী চিংনবা লৈতবা নত্তে। কনাগুম্বা লূপ খরনা মশাগীতা খন্দুনা শেনখায়-থুমখায় তৌবদা মীগী চাকখাউ মৎপা দিমান্দ তৌরকপা হায়বসি চামদা ১০০ লাল্লবা ৱাফম্নি। ইপুদা থোক্লিবা লাইবক থীবা থৌওং অসি নীংথিনা য়েংশিনবা চঙই। নোংমগী পুন্সিদা ফিল্ম তৌদুনা ইমুং-মনুং পুজরিবা মীওইশিংদা দিমান্দ তৌবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# পুন্যা মোটোরদা পোকখায়খিবা বোম প্রিপাক (প্রো)না ক্লেম তৌরক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ : খোয়াথোংদা লৈবা পুন্যা হোন্দাদা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.১০ রোম তাবদা বোম পোকখায়হনখিবা থৌদোক অদু প্রিপাক (প্রো)না চথুখিবনি হায়না লুপ অসিগী সেনিয়র পব্লিসিটি ওফিসর মেলৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, পার্টিবু অতম্না শীংনরকপগীদমক পুন্যা মোটোর প্রাইভেট লিমিটেদ অমদি ইষ্টর্ন ওটোমোবাইল প্রাইভেট লিমিটেদ হায়রিবা প্রাইভেট লিমিটেদ কম্পনি অনী অসি মতম কক্তনা মণিপুরদা বিজিনেস তৌবদা মীৎয়েং চঙলগনি। মসিদসু নৎতনা পুন্যা মোটোর প্রাইভেট লিমিটেদকী পুন্যা হ্যুন্দাই শোরূম (দিঙ্কু রোদ), পুন্যা হোন্দা (এয়রপোর্ট রোদ), পুন্যা হোন্দা শোরূম (খোয়াথোং), এম আই ফোর্দ শোরূম (এয়রপোর্ট রোদ) অমদি মণিপুরদা পুন্যাগী মখাদা লৈরিবা সবদিলর ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*